# মেঞ্চেষ্টর সিটিনা পেরিস সেন্ট জর্মেনবু চেম্পিয়ন্স লীগকী সেমীফাইনেলগী অহানবা লেগ থোইখ্রে



পেরিস, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সী):
ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী সেমীফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচতা ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদু পেরিসতা লৈবা পার্ক দেস প্রিন্সেস ষ্টেদিয়মদা লৈবাক অদুগী মকোক থোংবা ক্লব অমা ওইরিবা পেরিস সেন্ট জর্মেননা য়ূম্বু ওইরগা ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর সিটিগা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী অনীশুবা সেমীফাইনেলগী অহানবা লেগ অদু শান্নখিবনি। মেটচ অদুগী হৌরকপা টিম অনীমক লম্বা মান্নদুনা মিনট ১০ হেঞ্জিল্লবা ফাওবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে।

মেটচ অদুগী য়ূম্বু ওইখিবা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা টিম অদুদা শরুক য়ারিবা অর্জেন্টিনা মচা এঞ্জেল দি মারিয়ানা য়াম্না ফজনা পীথোরকপা বোল অমদা টিমমেট মার্কিনোজনা সেমীফাইনেলগী অহানবা লেগ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মেঞ্চেষ্টর সিটি পাঞ্জল ১ শোথুরগা লৈখিবা অদুদা অথুবা মতমদা টিম অদুগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী পাঙ্গল পুথোক্তুনা ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনরকখিবশিং অদু অহানবা হাফকী মিনট ৪৫গী মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা কান্নবা ফংদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা মিনট ১৫ হৌজিল্লবা ফাওবদা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিনা অহানবা হাফতা শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অদুবু মেটচকী ৬৪শুবা মিনটতা ওলেক্সন্দর জিনসেনকোনা পীরকপা বোল অমদা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী বেলজিয়ম মচা কেভিন দি ব্রুননা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু নৌহৌননা লম্বা মান্ননা শান্নবা হৌরকখি। পাঞ্জল অমমম্ লৈনরবা মতুং মেটচ অদুদা য়ূম্বু ওইখিবা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী খূদোংচাবা কয়া ফংলবসু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি। শান্নবগী ৭১শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী রিয়ার্দ মহারেজনা টিম অদুগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ১ চন্দুনা পেরিস সেন্ট জর্মেনবু ২-১দা হেল্লগা লৈখি। শান্নবগী অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোয়শিংনা ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমদনা ১-২দা মায়থীখি। টিম অনীনা মে থাগী ৪দা ২শুবা লেগ শান্নগনি।

# বেঙ্গলুরু সিটিদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম কোভিদ-১৯ ভেক্সিননগী অহানবা দোজ কাপখ্রে

বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী ওইনা হৌজিক-হৌজিক লৈবাক শীনবা থুংনা মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ লাকপগা লোয়নননা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক থৌরম কয়া চথরক্লিবা অসিগী মনুংদা কর্নাটাকা ষ্টেটকী কোনুং বেঙ্গলুরুদা লৈরিবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া সেন্টরদা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমগী শান্নরোয়শিং কোভিদ-১৯ ভেক্সিননগী অহানবা দোজ কাপখ্রে।

ইন্দিয়াদা পুথোকপা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন অমা ওইরিবা কোভিসিল্ডগী ভেক্সিন অদু হোক্কী টিম অদুগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা গোলকিপ্পর পি আর শ্রিজেসনা লুচিংদুনা শান্নরোয়শিং অদু মথং-মনাও নাইনা কাপখিবনি। হৌজিক-হৌজিক বেঙ্গলুরুগী সাই সেন্টরদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম অসি জুলাই ২৩দগী পাঙথোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফাই ওইরবা টিম অমনি।

তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপ্তুনা লাইচৎ অসিবু মখা তানা শন্দোরকপদা থিংনবগী লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না মরুওইনা জপানগী টোকিও সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিংনা মাংজৌননা মশা-মশাগী লৈবাক্তা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক থৌরম কয়া অমা লৌখৎলিবা অসিগী মনুং চন্না ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম অসিসু ভেক্সিন কাপ্পগী খূদোংচাবা অদু ফংখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমগী শান্নরোয় ৭ অমদি সপোর্ট ষ্টাফ অনী বেঙ্গলুরুগী ট্রেনিং কেম্পতা লৈনা-লৈনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকখিবনি। শান্নরোয়শিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফ অনীমক কোভিদ-১৯গী লাইওংউৎত্রবসু চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা মখোয় পূম্নমক সাই সেন্টরগী মায়কৈদগী ওবজর্ভেসন তৌদুনা আইসোলেসনদা থম্লি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমগী কেপ্টেন রানি রামপাল য়াওনা মণিপুর মচা পুখ্রম্বম সুশিলা, অতোপ্পা শান্নরোয় সবিতা পুনিয়া, সর্মিলা দেবী, রজনি, নবজোট কোর অমসুং নবনিট কোর য়াওনা সপোর্ট ষ্টাফ ওইরিবা ভিদিও এনালিষ্ট অম্রুতা প্রকাশ অমদি সাইন্টিফিক এদভাইজর ৱেন লোম্বার্দ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম অসিনা হন্দক্তা য়ুরোপ অমসুং অর্জেন্টিনাদা শান্নখিবা মেটচশিংদা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা শেম শাবদা ফজবা মায়ওন অমা পুরকপা ঙম্লি। কুমজা ২০১৬কী রিও ওলিম্পিক গেমসকী নুপাগী হোক্কী চেম্পিয়ন ওইরিবা অর্জেন্টিনাবু ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী মনুং চন্না পাঙথোকপা প্রো লীগকী মেটচ অনী থংন-থংননা ইন্দিয়ানা থোইবা ঙমখি। মদুদসু নৎতনা অর্জেন্টিনাগা শান্নখিবা প্রেক্টিস মেটচশিংদসু ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম অদুনা অহেনবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমদুনা মেটচ অমত্তা মায়থীদনা ফজদুনা লাকখি।



# খূৎনীং শোকপদগী বজ্রং পুনিয়া ট্রেনিং য়াওরোইদৌরি

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপাগী রেষ্টলিংগী মায়কৈদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা বজ্রং পুনিয়া মশাগী খূৎনীংদা অশোকপা অমা লৈবদগী বলগেরিয়াদা অতেনবা মতমগী ওইবা ট্রেনিং অমা চথুগদবা অদু য়াওবা ঙল্লোইদৌরি।

কজাখষ্টানগী কোনুং অলমাটিদা হন্দক্তা লোইশিনখিবা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপতা বজ্রং পুনিয়ানা শরুক য়াখিবা অদুদা মহাক্কী খূৎনীং অদুদা অশোকপা লৈখিবনি। হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনা বজ্রং পুনিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা, রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা বলগেরিয়াগী কোনুং সোফিয়াদা পাঙথোক্কদবা অতেনবা মতমগী ওইবা ট্রেনিং কেম্প অদুদা মহাক শরুক য়াবা ঙল্লোইদবা অদুগীদমক্তা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি।

সোফিয়া সিটিদা মথংথাগী ৬তগীনা ৯ ফাওবা ৱর্ল্ড ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টসু পাঙথোক্কদৌরিবনি। অদুবু হায়রিবা টুর্নামেন্ট অদুদা বজ্রং পুনিয়া শরুক য়াবা ঙল্লোইদৌরি। নুপাগী কিলোগ্রাম ৬৫গী ফ্রীষ্টাইল রেষ্টলিং ইভেন্টতা বজ্রং পুনিয়ানা কজাখষ্টানগী অলমাটিদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ অদুগী প্রিলিমিনরি অমদি সেমীফাইনেল বাউটশিংদা ফজবা ঙমখ্রবসু শোকপদগী ফাইনেল বাউট অদু শান্নখিদবনি।

# টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফাই ওইরবী সাইখোম মিরাবাই চনুনা লেংজুমগী নুংঙাইতবা অথুবদা ফনবা হোৎনরি



কোলকাটা, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সী):
এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপকী ওইনা হন্দক্তা উজবেকিষ্টানগী সিটি টাস্কেন্টতা লোইশিনখিবা কম্পিটিসন অদুদা নুপীগী কিলোগ্রাম ৪৯গী কাঙলূপ্তা ক্লিন এন্দ জর্কতা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী ৱেথলিফটর মমাংদসু ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবী সাইখোম মিরাবাই চনুনা মহাক্কী লেংজুমদা নুংঙাইতবা লৈরিবা অদু অথুবা মতমদা ফনবা হোৎনরি।

সাইখোম মিরাবাই চনুনা টাস্কেন্টকী এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা ক্লিন এন্দ জর্কতা কিলোগ্রাম ১১৯ থাঙ্গৎতুনা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমখি। অদুবু স্নেটচতা কিলোগ্রাম ৮৬ থাঙ্গৎখিবা অদুনা মরম ওইরগা কম্পিটিসন অদুদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌবনি। করিগুম্বা মহাক্না স্নেটচতা থাঙ্গৎখিবা অরুম্বা অদুদগী হেনগৎপা ঙল্লম্লবদি চাইনাগী ৱেথলিফটরশিং অদুবু মায়থীবা পীরম্বগী খূদোংচাবা লৈখিবনি। মিরাবাই চনুগী ওইনা লেংজুমদা নুংঙাইতবা খরা লৈখিবা মরম্না স্নেটচতা চাইনাগী লিফটরশিং অদুগা চাংদম্নবদা অৱাৎপা খরা লৈখি।

হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী অনৌবা ৱেভ অমা লাকপা অসিনা মরম ওইরগা মিরাবাই চনুনা য়ু এস এদা চৎতুনা মহাক্কী লেংজুমগী নুংঙাইতবা অদু য়েংথোকপগা লোয়ননা ট্রেনিং তৌবগী শেমখিবা পোরমশিং অদু অপনবা খরা লৈগদৌরি। টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী ওইনা মেদলগী অচৌবা খূদোংচাবা থম্লিবা সাইখোম মিরাবাই চনুগী হৌজিক লৈরিবা লেংজুমগী নুংঙাইতবা অসিনা স্নেটচতা মহাক্না হান্না থাঙ্গৎপা ঙম্বা অরুম্বশিং অদুদগী হেনগৎপগী অৱাবা অমা মায়োক্লরিবনি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা চহীদা সাইখোম মিরাবাই চনু খ্বাঙদা নুংঙাইতবা লৈরকপদগী কুইনা শান্নবা য়াওবা ঙল্লুদ্রবনি। অদুবু য়ু এস এগী ফিজিওথেরাপিষ্ট ডা. অরোন হোর্চিককী মখাদা লায়েংদুনা লাকখিবা অদুনা মরম ওইদুনা হান্না লৈরম্বা ফীভমদগী কান্নবা কয়া ফংদুনা এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপতা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমখিবনি।

ঙসি সাইখোম মিরাবাই চনুনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা শীনখিবা ভর্চ্যুএলগী ওইবা পাউগী মীফমদা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী মায়কৈদগী লৈঙাক্তা হায়জদুনা য়ু এস এদা লেংজুম নুংঙাইতবগী খূদোংচাদবা অদু ফননবা ওথোরাইজ তৌবীয়ু হায়না ফোঙদোকপা লৈখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৮গী নবেম্বর থাদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিম (টি ও পি এস)কী মনুং চন্দুনা মিরাবাই চনুনা মহাক্কী ৱেথলিফটিংগী হীরম খূদিংমক্তা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লুপা লাখ ৫১.৫১ ফংখ্রবনি।

মহাক্কী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকপদা, কুমজা ২০১৬কী রিও ওলিম্পিক গেমসতা অশোয়বা লৈখিবা অদু নাথৈদুনা থল্লগা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী ওইবা মেদল ফংননবা য়াম্না কন্না হোৎনরিবনি। মসিগী মতাংদা চাইনা অমদি অতোপ্পা লৈবাকশিংগা লম্বা তৌনবদা মহাক্কী মায়কৈদগী চিংনবা লৈতে। অদুবু স্নেটচতা চাইনাগী ৱেথলিফটরশিং অদুনা থাঙ্গৎলিবা অরুম্বা অদুবু লম্বা তৌনবা হোৎনবদা মহাক্কী লেংজুমদা নুংঙাইতবা লৈরিবা অদু কোক্কনবা য়ু এস এদা চৎতুনা ফননবা হোৎননিংই হায়খি।

উজবেকিষ্টানগী টাস্কেন্টতা পাঙথোকখিবা এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা সাইখোম মিরাবাই চনুনা চাইনাগী মকোক থোংবা ৱেথলিফটর অনীবু নমথরগা ক্লিন এন্দ জর্কতা কিলোগ্রাম ৪৯গী কেটগোরিদা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমখিবনি। টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা স্নেটচতা মিরাবাই চনুনা খরা হেন্না অরুম্বা থাঙ্গৎপা ঙল্লম্লবদি গোল্ড মেদল ফংবগী অচৌবা লম্বেল লৈরিবনি।

# দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচএনএস):
মণিপুরগী দিরেক্টোরেট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী ঙরাং খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা শান্নরোয়শিং, সপোর্ট ষ্টাফশিং অমদি দিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা লৈবা মীওই কয়া কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনেসন কেম্প পাঙথোকপদা ভেক্সিন কাপ্পগী খূদোংচাবা ফংহনখ্রে।

হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী পীরিবা কোভিদ-১৯গী ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরগী মনুং চন্না দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা ইম্ফাল ইষ্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসরগী মায়কৈদগী প্রোফেসনেল মেদিকেল টিম অমগা লোয়ননা খূৎশম্নদুনা কোভিদ১৯গী ভেক্সিনেসন কাপ্পগী কেম্প অদু মায় পাক্না পাঙথোকখিবনি।

ঙরাং ভেক্সিনেসন কেম্প পাঙথোকপগী নুমীৎ অদুদা ভেক্সিন কাপ্নবগীদমক্তা লাকখিবা শান্নরোয়শিং, সপোর্ট ষ্টাফশিং অমদি অতোপ্পা মরী লৈনবা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা লাকপদা খূদোংচানবগীদমক্তা মাংজৌননা ঙাইনবগী মফম, রেজিষ্ট্রেসন তৌনবগী মফম, ভেক্সিনেসন তৌবগী মফম অমদি ওবজর্ভেসন তৌবগী তোঙান-তোঙানবা মফম খায়দোক্তুনা মপুং ফানা শিন-লাংখি।

কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনেসন কেম্প অদুদা পূন্না মীওই ২৬৬ ভেক্সিন কাপ্পা ফংখি। হায়রিবা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপখ্রবা মীওই ২৬৬ অদু মাংজৌননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং অদুগী মতুংইন্না মাংজৌননা রেজিষ্ট্রেসন তৌরবা মতুং ভেক্সিন কাপখিবনি। মখোয়দা অহানবা ভেক্সিন কাপ্পগী সর্টিফিকেট পীরবা মতুং কাঙলোনগী মতুংইন্না অনীশুবা ভেক্সিন কাপ্নবগীদমক্তা খূদোংচাবসু পীরগনি হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।


## GOVERNMENT OF MANIPUR
## SECRETARIAT: HEALTH DEPARTMENT

ꯆꯩꯊꯦꯡꯐꯝ / **NOTIFICATION**

Imphal, the 28th April 202

MED-301/2/2021-HS-HEALTH-Part(1) : It is hereby notified for information to all the concerned that, to meet the requirements at LOP/1st batch, applications are invited from any willing and eligible Medical Professional for appointment to the post of SR/Tutor/Demonstrator in the following subjects at Churachandpur Medical College, Churachandpur as detailed below :

| Sl. No. | Department | Number of posts |
|---|---|---|
| 1 | Anatomy | 3 |
| 2 | Physiology | 3 |
| 3 | Biochemistry | 3 |
| 4 | Obs/Gynae | 2 |
| 5 | Anaesthesiology | 1 |
| 6 | Pathology | 1 |
| 7 | Pharmacology | 1 |
| 8 | Microbiology | 1 |
| 9 | Paediatrics | 1 |
| 10 | Dermatology | 1 |
| 11 | Respiratory Medicine | 1 |
| 12 | Forensic Medicine | 1 |
| 13 | Community Medicine | 1 |
| 14 | Ophthalmology | 1 |
| 15 | Orthopaedics | 1 |
| 16 | Radiodiagnosis | 2 |
| 17 | Psychiatry | 1 |
| 18 | Emergency Medicine | 6 |
| 19 | Otorhinolaryngology | 1 |
| 20 | General Medicine | 3 |
| 21 | General Surgery | 3 |
| 22 | PMR | 2 |
| Total | | 40 (forty) |

2. **Eligibility and academic qualification:** Criteria as prescribed in the MEDICAL COUNCIL OF INDIA Minimum Qualifications for Teachers in Medical Institutions Regulations, 1998 (AMENDED UPTO 8th JUNE, 2017) shall be adopted.

3. **Age**: Should be below 45 years of age vide Notification No. MCI-12(2)/2019-Med.Misc./189334 dated 12th February, 2020.

4. **Reservation:** As per existing Reservation rules of the Government of Manipur.

5. **Scale of Pay:** Rs 9300-34800 plus Grade pay Rs 5400/-

6. **Tenure :** The appointment shall initially be for a tenure period of 1(one) year extendable up-to a period of 3(three) years on the basis of a Performance appraisal.

7. Application on plain paper along with copies of supporting documents (self-attested) should be submitted to the **Director of Medical and Health Services, Manipur** on or before **7th May, 2021** along with application fee of Rs. 1000/- (Rupees One Thousand) only by cash.

8. The selected candidates will be posted immediately at Churachandpur Medical College (CMC), Churachandpur and will attend duties full time at CMC/District Hospital, Churachandpur.

9. For queries please contact:

Dr. L. Somorendro Singh,
Deputy Director (Training)
Directorate of Medical and Health Services, Manipur.
Room No 217.
mail: dr.somorendro@rediffmail .com

Sd/- Dr. Yumnam Suraj Singh
**Deputy Secretary (Health &FW)**
**Government of Manipur.**

HL-B/6955/30


# কুং-ফু স্পোর্টস এসোসিএসনগী ওফিসলশিং লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস):
কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা থা অসিগী ২৩দা কুং-ফু স্পোর্টস এসোসিএসন ওফ মধ্য প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি দিলিপ উমারিয়া অমদি থা অসিগী ২৭তনা ওল ইন্দিয়া কুং-ফু ফেদরেসন (এ আই কে এফ)কী ওফিসল জিনগি রাজটিলক বারি লোয়ননা ওল মণিপুর কুং-ফু ব্রদরহুদ য়ুনিয়নগী এক্টিভ মেম্বর ককচীং নিংথৌ লৈকাইদগী টি ঐচ জিতেননা থা অসিগী ২৭তা খঙহৌদনা হার্ট এটেক তৌরকপদগী মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগী অচম্বা থৌরম অমা ওল মণিপুর কুং-ফু ব্রদরহুদ য়ুনিয়ন (এ এম কে বি য়ু)না শীন্দুনা উৎলৌদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মী য়ামদনা চম্না পাঙথোকপা থৌরম অদুদা এ আই কে এফকী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. ঐচ রোমেন, এ এম কে বি য়ুগী জেনরেল সেক্রেটরি এস রাজেশ্বর, জি এম এন জি জিৎ খুমনচা অমদি সিদু এল সিংহাজিৎনা শরুক য়াদুনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবশিংগী থৱায়না তাইবং মপূগী খূয়াদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা থৌনীখি।

# ক্বারন্টিনগী মতমদা ওলিম্পিককী ক্বালিফাই ওইরবা এথলিটশিং ট্রেনিং তৌবা য়াগনি : সাই

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সী):
স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱারোল অমগী মতুংইন্না চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইরবা এথলিটশিংনা ক্বারন্টিনগী মতমদা ট্রেনিং চত্থবা য়াগনি। অদুবু মখোয়-মখোয়না লৈরিবা মফম অদুদগী লিভ লৌবগী মতাংদদি কুপ্না খন্ন-নৈনগনি হায়খি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী লৌরক্লিবা খোঙথাং অসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা নেসনল কেম্প চত্থরিবা মফমশিংদা ওলিম্পিককীদমক্তা ক্বালিফাই ওইরবা শান্নরোয় কয়া অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী লৌখৎলকপনি।

ন্যু দেল্লীদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা নুপীগী নেসনল বোক্সিং কেম্প চত্থরিবা অসি বোক্সর অমদি সপোর্ট ষ্টাফ খরা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী অথিংবা থমদুনা মখা তানা ট্রেনিং চত্থবা য়ারোইদৌরিবনি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা হৌজিক লৈরক্লিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভকী চৈথেং অসি য়েংলুরগা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমগী মতুংইন্না টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইরবা এথলিটশিংনা মখোয়-মখোয়না ট্রেনিং চত্থরিবা মফমশিং অদুদা মখা তানা লেপ্তুনা ট্রেনিং চত্থবা য়াগনি। লোয়ননা করিগুম্বা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অনৌবা এস ও পিগী মতুংইন্না ক্বারন্টিন তৌবগী মতম পীরক্লবসু এথলিটশিং অদুনা মখোয়-মখোয়গী ট্রেনিং চত্থফম অদুদা নীংথিনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবা খোঙথাংশিংগী মতুংইন্না মখা তানা ট্রেনিং চত্থবা য়াগনি হায়রি।

মরক অসিদা, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগা কুপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইরবা হৌজিক-হৌজিক ট্রেনিং চত্থরিবা এথলিটশিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংগী ওইনা অখন্নবা ৱারেপ অমা লৌদুনা য়াম্না লুবা তানফম নৎত্রবদি মখোয়না শান্নফম অদুদগী লিভ লৌবা য়ারোইদৌরি। অদুবু শান্নরোয়শিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিং অদুনা লিভ লৌবগী মতাংদা অখন্ননা ৱাফম থাঙ্গৎলক্লবদি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমদি নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনগা পূন্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা লিভ অদুগী অয়াবা পীগদৌরি। শান্নরোয়শিং অদুনা মখোয়-মখোয়গী ট্রেনিং সেন্টরদা নৌনা চঙলকপগী মতাংদা নুমীৎ ৭নিগী ওইবা ক্বারন্টিন থমগদৌরি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com